# সিমোনা হালেপনা য়ারোস্লাভা শভেদোভাবু মায়থীবা পীদুনা ৱুহান ওপনগী সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



ৱুহান (চিনা), সেপ্টেম্বর ২৯ :

ৱর্ল্ডগী নম্বর ফাইভতা লৈরিবা সিমোনা হালেপনা মফম অসিদা চথরিবা ৱুহান ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অমেরিকাগী মেদিসন কিজবু মায়থীবা পীদুনা থংন-থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা দব্লিয়ু টি এগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ওইখ্রে।

রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা কজাখস্থানগী য়ারোস্লাভা শভেদোভাবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। হালেপনা চথরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা মশাগী অশোকপা লৈবগী খুদম অমত্তা উৎতনা নিংথিনা শান্নদুনা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লিবনি। মহাক্না মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা টোকিয়ো ওপনদা মশাগী ফৈগনগী শিংলিদা অশোকপা লৈখিবদগী শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মেদিসন কিজনা রসিয়াগী ক্বালিফাইয়র দারিয়া কাসাটকিনাবু ৬-১, ৪-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি। অহানবা সেটতা বিগ সার্ভিং কিজনা মাঙজিল থানা চৎখিদুনা রোমানিয়াগী সার্ভপু অনীরক ব্রিক তৌখি অদুবু হালেপনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা ফীভম ফনা থমখি অমদি সেট অদু মহাক্না ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

চয়োল অসিদা মশাগী চহী ২৫ শুরগদবী হালেপনা অনীশুবা সেটতা গেম অনী দ্রোপ তৌদুনা সেট অদু মায় পাকখি অমদি সিজন অসিগী অরোইবা ফাইনেল ওইনা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্ণামেন্টগী ক্বালিফাই ওইরবা নিপানগী মনুং চনবা ঙমখি।

হৌজিক ফাওবদা লেমজনিংঙাই ওইরবা টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বর অমদি সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ক্বালিফাই ওইরি। হৌজিক ক্বালিফাই ওইগদবা মঙা ৱাৎলি। মশাগী চহী ২১ শুরবী কিজনা হৌখিবা জুন থাদা মহাক্কী অনীশুবা কেরিয়র টাইটল লৌখিবদগী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেঙ্কিং ওইনা মাপলশুবদা লৈখি।

হালেপনা সেমী ফাইনেল মেচতা কভিটোভা নৎত্রগা বৃটেনগী জোহন্না কোন্টগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# অনৌবা ফেদরেসনগী মখাদা নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৯ :

ইন্দিয়ন বোক্সিংগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা চহী ৪ চুপ্পা লৈতাদনা লৈরকখিবা অদু হন্দক্তা নৌনা শেমখিবা ফেদরেসনগী মীখল পাঙথোক্নুনা অনৌবা ওফিস বিয়াররশিং খন্দুনা নে তানা লোইশিনখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপশিং গুৱাহাটি অমদি উত্তরখন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা (বি এফ আই) গী নৌনা খনখ্রবা প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপশিং অসি নুপীগী সেনিয়রনা লাক্লিবা নবেম্বর থাগী অনীশুবা থখাইদা অদুগা নুপাগী সেনিয়র নেসনেলনা লাক্লিবা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্লনি।

হীরম অসিগী মতাংদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা হায়খি, হন্দক বি এফ আইগী পাঙথোকখিবা মীখল অদু ট্রান্সপরেন্সি লৈনা পাঙথোকখিবনা ইন্দিয়ন বোক্সিংগী লৈরম্বা চনৈনবা অদু লোইশিনখ্রে হায়না তাকপদা নত্তনা হেন্না ফবা মায়কৈদা চঙশিল্লক্লগনি। লাক্লিবা নবেম্বর অমদি দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়ন-শিপশিং অসিনা লাক্কদৌরিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াবু মশান্না অসিদা হেন্না খোঙজেল য়াঙনা চঙশিলহনবা ঙম্লগনি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১২ দা মতম অদুগী ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) গী মীখলদা অরানবা থৌওংশিং চৎখিখি হায়বগী মরালদা অথিংবা থমখিবদগী ইন্দিয়ন বোক্সিংদা অহানবা ওইনা এদমিনিষ্ট্রেসনগী চয়েৎনবা থোকপা হৌরকখি অমদি চহী অসিগী মতুংদা নৌনা শেমখিবা বোক্সিং ইন্দিয়াসু ষ্টেট য়ুনিটশিংনা ঈরাং হৌরকখিবদগী চহী অমা ফনা চত্তনা থুপচিনখিবদগী ইন্দিয়ন বোক্সিংগী ফীভম হেন্না শোকচিনখি।

ওইখিবা ফীভম অদুনা ইন্দিয়ন বোক্সিংদা অচৌবা শাফু অমা ফংদুনা নেসনেল চেম্পিয়নশিপশিং পাঙথোক্তনা চহী ১/২ অসি লাকখি।

নিংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসদা নুপী অমা য়াওনা লৈবাক অসিগী বোক্সর নিপাননা শরুক য়াবা ঙমখি অদুবু মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা বোক্সর অহুমখক্তমক শরুক য়াখিবদা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা হল্লকখিবনি।

লাক্লিবা এসিয়ন গেমস অমদি কম্মনৱেলঠ গেমস পাঙথোক্কদবা চহী অনী ফারক্ত্রবা তাঞ্জা অসিদা লৈবাক অসিগী মতীং থোকপা বোক্সরশিং মশক খঙদোক্তুনা হায়রিবা গেমশিং অসিগীদমক শেম শানবগী ট্রেনিং অমদি কন্দিসনিং কেম্পশিংদা শরুক য়াহন্নবগীদমক নেসনেল চেম্পিয়ন-শিপশিং পাঙথোকপগী তঙাই ফদবনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) না থবক পায়খৎলকপনি হায়না পাউগী লিখুনশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# চহী অসিগী ইন্দিয়ন সুপর লীগতগী অনৌবা কাঙলোন চৎননবা থবক থৌরমশিং পায়খৎখ্রে

মার্গাও, সেপ্টেম্বর ২৯ :

সিজন অসিগী অহুমশুবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তগী হৌদুনা অনৌবা নিয়ম-নিতিশিং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী ইগজেক্যুটিব কম্মিটিনা চৎননবা অয়াবা পীখ্রে।

নৌনা চৎনরগদবা নিয়ম-নিতিশিং অদুগী মতুং ইন্না আই এস এলগী ক্লবশিংনা মখোয়গী মার্কি প্লেয়রশিংদা পীগদবা শেনফম অদু অপুনবা টিমগী ওইনা চাদিং তৌগদৌরিবা লুপা ক্রোর ১৭.৫ গী মনুংদা য়াওররোইদবনা ক্লবশিং অসিনা মখোয়গী রিছোর্সকী মতুং ইন্না পীনিংবা শেনফম পীবা য়ারগনি। ক্লব অমগী শান্নরোয়শিংদা পীবা অপুনবা শেনফম অসি মমাঙ চহীদা লুপা ক্রোর ২১ দা লেপ্পমখিবনি।

অমরোমদা মমাঙগী সিজনশিংদা মার্কি প্লেয়র অমনা কোচ ওইনা থৌ পুবগী অয়াবা লৈরম্বা অদু সিজন অসিদগীদি য়াররোই। করিগুম্বা মার্কি প্লেয়র অমবু হেদ কোচ ওইনা হাপ্লবদি ক্লব অদুনা অতোপ্পা মার্কি প্লেয়র অমা লৌগদবনি হায়না রুল অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

এ আই এফ এফকী ইগজেক্যুটিব কম্মিটিনা নেসনেল কোচ ষ্টেফন কোন্সটান্টিনগী মথংদা অন্দর-১৭ কী ইন্দিয়াগী কোচ নিকোলাই অদামনা মথং চহীদা ইন্দিয়ানা য়ুম্ম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী শেম-শারিবশিংগী মতাংদা মতম মতমগী ওইবা ইন্দিয়ন টিমগী ঈ-পাউশিং পীরিবা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা লাক্লিবা সন্টোস ট্রোফিগী পাঙথোক্কদবা মতমশিং লেপথোক্তুনা ফাইনেল রাউন্দশিং মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবসু ফেদরেসন্না ৱারেপ লৌখি। ফেদরেসন অসিগী মীখলগীদমক চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিংনা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্লগা অখন্নবা জেনরেল বোদি মীফমনা মথং চহীগী জন্যুৱারীদা পাঙথোক্লবসু ৱারেপ লৌখি।

এ আই এফ এফকী কম্মিটি অদুনা আই লীগকী চেম্পিয়ন বেঙ্গলুরু এফ সিবু হৌজিক চথরিবা এ এফ সি কপ্তা উৎলিবা মখোয়গী মতিং থোক্লবা পার্ফোর্মেন্স অদুগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা মালেসিয়াগী জোহোর দারুল টাজিমগী মায়োক্তা শান্নগদৌরিবা সেমী ফাইনেলদা মায় পাক্লবা মঙ্গলসু পীখি। আই লীগকী সি এ ও মুন্দো ধরনা এ আই এফ এফকী ইগজেক্যুটিব কম্মিটিদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৭ তগী হৌগদৌরিবা লীগ অসিগী হৌজিক লৈরিবা ঈ-পাউশিং অদু খঙহনখি। মমাঙগী এদিসনদা আইজোল এফ সিনা পীখিবা পার্ফোর্মেন্স অদুবু মশক খঙবা ওইনা নোর্থ ইষ্টকী ক্লব অসিবু কুমজা ২০১৬-১৭কী এদিসনদা শরুক য়ানবগী অয়াবসু ইগজেক্যুটিব কম্মিটিনা পীখি।

# অজয় জয়রাম অমসুং বি সাই প্রনীথনা কোরিয়া ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

সিওল, সেপ্টেম্বর ২৯ :

ইন্দিয়ন শট্টলর অজয় জয়ারাম অমদি বি সাই প্রনীথনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস দি ৬০০,০০০ সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টগী মেন'স সিঙ্গলসকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মখোয় মখোয়গী লন্বাশিংবু মায়থীবা পীখিদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

জয়ারাম অমদি প্রনীথনা অহৌবগী হর্দাল লাম্থোকখ্রবসু কে শ্রীকান্ট, পি কেশয়প, ঐচ এস প্রন্নোয় অমদি টানভি লেদনা সেট অহুমগী গেমদা মশক থোক্না শান্নখ্রবসু ওপোনেন্টশিংগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা জয়ারামনা কোরিয়াগী জিওন হয়েওক জিবু মিনিট ৪৫ চঙনা শান্নখিবা অদুদা ২৩-২১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীখি। মমাঙ চহীগী মালেসিয়া মাষ্টরসদা জিনগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা মুন্বাইগী শট্টলর অসিনা মথংগী রাউন্দদা চিনাগী হুআং য়ুক্সিয়াংগা লন্বা তৌদুনা শান্নগনি।

প্রনীথনা চাইনিজ টাইপৈগী হসু জেন-হাওবু ২১-১৩, ১২-২১, ২১-১৫ দা পুং অমা চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা কোরিয়াগী তরুকশুবা সীদেদ সোন ৱান হোগা লন্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অদুম ওইনমক, রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট শ্রীকান্টনা হোং কোংগী ৱোং ৱিং কি ভিনসেন্টগী মখুৎতা ১০-২১, ২৪-২২, ১৭-২১ দা মায়থীহৌখি। অদুগা কম্মনৱেলঠ গেমসগী চেম্পিয়ন কেশয়পনা মরিশুবা সীদেদ চাইনিজগী টিয়ান হৌৱৈগী মখুৎতা ২২-২০, ১০-২১, ১৩-২১ দা মায়থীহৌখি। টিয়ান হৌৱৈনা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপকী রন্নরস-অপসু ওইরিবনি।

স্বিস ওপনগী চেম্পিয়ন প্রন্নোয়না চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং টজু ৱৈগী মখুৎতা ওপনিং রাউন্দগী মেচতা ২৩-২১, ১৭-২১, ১৫-২১ দা মায়থীহৌখি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা কম্পিটিটর ওইনা শরুক য়ারিবা টানভি লেদনা নুপীগী সিঙ্গলসতা দেনমার্ককী অন্না থিয়া মাদসেনগী মখুৎতা ১৮-২১, ২১-১৩, ১৮-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ৩৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব অমসুং ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ ঙসিদগী দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশনগী ইন্দোর হোলদা চথবা হৌখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা সিঙ্গলস অমদি দবলসকী ইভেন্টশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি ওক্টোবর অনীদা লোইশিনগনি হায়রি।




HL-B/3310/09/09-08/10





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২২

1. এসিয়ন গেমসদা সনাগী মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ইন্দিয়া মচা অমগী মমিং হায়য়ু। মহাক্না ফংখিবা সনাগী মেদল মশীং কয়ানো?
2. মণিপুরগী মমিং চৎপা ঈশৈ ময়েক ইবা শান্নরোয় অমা আসামগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখি, মহাক্কী মমিং হায়য়ু?
3. বলগেরিয়াগী শান্নরোয় অমা টর্কিদা ময়ূম হোংলক্লবা বলগেরিয়া গভর্ণমেন্টদা টর্কিনা দোল্লর ১,৫০,০০০ পীখি। মালেম ফাওনা মমিং চৎখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?
4. ওলেম্পিক্কী অহানবা নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখিবা নুপীদু কনানো?
5. বেদমিন্টনগা মান্নরপ তৌবা কোর্ট অমদা মায়োক্লবা শান্নরোয় অনীনা রিং অমা হুন্দুনা শান্নববু করি মমিং কৌই?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সেকেন্দ দিভিজন লীগ



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা মালোমদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজনগী মেচ অনীমক দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা পময়াল পাৎশোই অমসুং দব্লিয়ু এস সি গোল চন্নখিদ্রে। মেচ অদুদা লন্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। মেচ অদুদা দব্লিয়ু এস সি ঙাইরাংবমগী পি সনি দপ মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা য়ু পি সি অমসুং ঐচ এল এস সি গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে।

মেচ অদুদা য়ু পি সিগী গোল অনী অদু ফজাইলুংনা অহানবা গোল মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল অদু এম দি রজিরুলহকনা মেচকী ৬৩ শুবা মনিটতা চনখি। ঐচ এন এস সিগী গোল অনী অদু ভারতনা মেচকী ৩৮ অমসুং ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি।

# ফনতু কপতা কে দি সি অমসুং দি ইরিংখু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ লম্লুং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সি সি) না শিন্দুনা চথরিবা ৪ শুবা ফনতু কপ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে দি সি এফ সিনা এল থাংকাম এফ সি টাই ব্রেক্তা গোল ৬-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না হৈশিংবা মান্নরা শান্নখিবনা মেচকী নোর্মেল টাইম ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল ১-১ দা লৈনখি।

এ দি সি এফ সিগী গোল অদু আর দরসিংনা মেচকী ৪ শুবা মিনিটতা চনখি। এল থাংকাম এফ সিগী গোল অদু ৱাই বিকাগী ওন গোলদা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা চনখি।

টাই ব্রেক্তা কে দি সিনা গোল ৫ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল তরুক শুখি। এল থাংখামনা টাইব্রেক্তা গোল ৪ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৫ শুখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দি ইরিংখু এফ সিনা লিৱা খুলেন গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা দি ইরিংখু এফ সিগী অহানবা গোল বুংদামনা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এস এন অংহোরনা মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

## জুদো চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ মণিপুর জুদো এসোসিএশন্না শিন্দুনা হয়েংদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ অয়ূক্কী পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি হয়েং অয়ূক মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম অমসুং মণিপুর জুদো এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সনসম চাওবনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি নুপা অমসুং নুপীগী সব জুনিয়র অমদি সেনিয়র কাঙলুপ্তা পাঙথোক্কনি।

# কিষনদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ

মিষ্টর এসিয়াগী গোল্ড মেদলিষ্ট নেপ্রম কিষন ইন্টরনেসনল বোদি বিল্ডিং এসোসিএশন্না জজ গ্রেদ এ পীরকপদা ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনর ক্লব, ক্যামগৈ হৈবোং মখোংনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নেপ্রম কিষন ক্যামগৈদগী নেপ্রম কুল্লচন্দ্রগী মচানুপানি। মহাক্না মণিপুরগী ওইনা ইহান হান্না গ্রেদ এ ফংবা বোদি বিল্ডিংগী জজ ওইরে। মহাক হৌজিক হৌজিক শিংজমৈদা লৈবা কে এফ সি ফিটনেস সেন্তরগী মেনেজিং দিরেক্টর ওইদুনা লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা মীওই কয়া মশা মউ ফনা লৈনবা অমদি শান্নরোয় কয়া পুথোক্লিবা কোচ অমসুনি হায়রি।




HL-B/3346/29/09-28/10